# হিংচা-য়াইতম্বগী থৌওং, থৌচৎ - পুৱারীগী খোঙচৎকা লীপক্নদুনা অসুম্মক চৎমিন্নরদ্রা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

মথায় থায়নদগী হৌনা হিংচা-য়াইতম্বগী থৌওং-থৌচৎ কয়া মীওইবনা চত্থদুনা লাকখিবগী থৌদোক কয়াগী ৱারী ময়াম নাকোং ফুনবমখৈ তাদুনা লাকখ্রে। চীনবুঙ ৱারীখক্কী ৱা নত্তে, মখল মথেলগী লাইরিকশিংনসু লেঙদবা খুদম চাংদম ওইদুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী ওইবা ৱায়েল থৌদা থৌরমদসু অদু মঙাই, তমথী-তমথীরবা অকি-তুজুংলবা চৎন-কাঙলোন কয়া থল্লম্মী। মদুনা মরম ওইরগা মরাল লৈরে লাউথোক্লবা মীওই কয়াবু মমিৎ কোখোকপা, মনা লেন্থৎপা, মখোঙ-মখূৎ ককথৎপা, মঙক কত্তুনা অঙাং ওলহনবনচিংবা য়েংহৈ-তাহৈদ্রবা চৈরাক কয়ানি পীনরল্লিবা। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা চৎনবী থাজনবী লাইনীং-লীচৎকী মিংদসু হিংচা-য়াইতম্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থদুনা লাকখি। মরৈবাক খুন্নাইবু নুংশিজবা কয়া অমসু মিংচৎ অমদি পাঙ্গল হেনগৎনবগী লানবুংদা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রে। মশীং লাকঙমদ্রবা নুপী কয়াগী ইকায়খুম্নবদা তেমশিংনবীখ্রে। মরাল লৈজদবা তাইবঙ মীরোল খঙদ্রিবা অঙাং কয়া মীনুংশি খঙদ্রবা খূৎহাত্তা হাত্তোকখ্রে। লাই হাক্তক্তা হায়রসু কংসনা পোকপদা ঙাইরিবা বাসুদেবকী মচাশিংবু মথং-মথং নূঙপাক্তা হাইহত্তুনা হাত্তোকখি হায়বা ৱারী লৈরি।

মতম অমদদি অসিগুল্লবা য়েংহৈ-তাহৈদ্রবা থৌওং-থৌচৎশিং অসি মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা ফূরুপ অয়াম্বনা পাঙথোক্লরম্বজাৎনি। মানা মানা নীংজবা লাইদা তাইবঙ মীওইবা অমদি শা-ঙাগী ঈ কত্তুনা ঈরাং থৌনিবগী চৎন-লোনচৎ লৈরম্বগী ৱারী লৈ। লৈঙাক্লোনগী হীরমদদি তমথী-তমথীরবা চৈরাক লৈরম্বজাৎনি। খুদম অমা অনীদং লৌখৎচগে। পঙকুই কুইবা নৎত্রি হায়বা য়াই, তরানিপানশুবা চহীচা লোইশিল্লমদাই মতাংদা ফ্রান্সতা থোকখিবা থৌদোক্লি। ফ্রেন্স রেভল্যুসন মতুংদা ***রেইন ওফ টেরর*** মতমদা মীওই লিশীং মঙারোম মঙক কত্তুনা হাৎপা তমথীরবা মীহাৎ-মীপূনগী চৈরাক পীবগী থৌওং অসি চহী অহুম্লোম চত্থখি। মতাংদুদা ফ্রান্সকী নিংথৌ-মহারানি য়াওনা মীওই কয়া মঙক কক্ল-কক্লদুনা হাৎখি। কুনশুবা চহীচাদনি, হিটলরগী কন্সেন্ত্রেসন কেম্পতা মীওই কয়া ওৎ নৈখিবা অমদি হাৎখিবদু। ইন্দিয়াগী ওইনসু মশীং লাকঙমদ্রবা হিংচা-য়াইতম্বগী থৌদোক লৈখ্রবনি। নীং-খা তম্বা ফংলমদাই মীৎকুপ্তা থোকখিবা কাঙলূপকী ওইবা হাৎন-শুনবা, ঈমু-নাইমু তানখিবগী অকি-তুজুংলবা থৌদোক পুৱারীগী লাতমদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি। চৎনবীনি হায়দুনা মপুরোইবা পোৎলোইবগী মৈথক্তা নুপী কয়া মশানা য়ানীংনা নৎত্রগা য়ানীংদনা মৈ থাদুনা হাৎখ্রিবদুনি। শাথীখ্রবা ময়ামগী মরক্তা লাইনীং-লীচৎ অমদি চৎনবী-থাজনবীগী মিংদসু হিংচা-য়াইতম্বগী থবক ময়াম চত্থরল্লি। শা-ঙা, উচেক-ৱায়াদগী হেন্দোক্তুনা তাইবঙ মীওইবা ফাওবা শরেন চন্দুনা ঈরাৎ থৌনিরল্লিবনি। পূম্নমকসি লোনা য়াদে হায়না থিংখ্রবসু লোনা হাইজিল্লুবা ঙমদবা মফম কয়াদদি অদুম্মক চত্থরি হায়বগী পাউ ইতৎ তত্তনা তারি।

অঙনবা মতমগী মণিপুরদসু হিংচা য়াইতম্বগী থৌওং কয়া চত্থরম্মী। ***চায়নবা*** হায়বসি থাঙ-তাগী মহৈ চাংদম্নবনি। অদুবু মসিদা শাথীবা অকি-তুজুংলবা থৌওং অমদি অদুম্মক ময়াওরে। মদুদি চায়নবা খুদিংদা মায়থীবা মীওই খুদিংমক্কী লুরেন ককপা হায়বসিমদি শুংশোয় শোয়দ্রবনি। মীওসবগী মঙক কক্লগা লুখা থাবা হায়বসিবু অফবা কৌগদ্রা? লাইনীং-লীচৎ ঈরাৎ থৌনিগী মিংদা মী শরেন চন্দুনা ঈরাৎপা চৎনরম্বগী ৱাফম থেংনৈ, লানবা চুম্বদি খঙদে। থোং শাবদা মী হাপ্পী হায়বগী অকিবা ৱারীসু অদুম তাখি। চহী তরেৎ খুন্তাকপা মনুংদা অৱানা নুপী অঙাং য়াওনা লমদমসিগী মীওই কয়া মোরোক থাদুনা হাৎপা, খূবাক্তা য়াইরিনা লেঙলগা পুবনচিংবা কয়াগী ৱারী ঙসি ফাওবা লীনরি। ইমা মণিপুরগী মচাশিং - বীর টিকেন্দ্রজিৎ, ইপু থাঙ্গালবু বৃটিশ লৈঙাক্না হাৎপগী চৈরাক পীখিবদো য়াম্না উশিত্তবা ইমা মণিপুর অমদি মীয়াম্বু য়াম্না করেম্নবা মওংদনি। মণিপুর মীয়ামগী মীৎমাঙমক্তা ঙক্তা থৌরী কোঙ্গোই হুক্তুনা হাৎখিবদো তৌগে হায়বা মতানি হায়নীংই। পূম্নমক্তু হৌখ্রে লোইখ্রে। মী, শা-ঙা শরেন চল্লম্বদু ফত্তে, হৌনদে খঙনরকপদগী ওইরম্বসু য়াই, হৈ-লৈনা মহুৎ শিনবসু য়াওনরবনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু দেমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক লৈরে। কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্নদি হিংচা য়াইতম্বগী থৌওং শুংচৎ চত্থফম থোক্রবনি। করিদা শোয়রিনো, হোরিনো খঙদে। অকি-অখং লৈতনা নীংতম্না হিংবগী মহাউ ফংদবা মীওই মশীং থিঙমদবমখৈ লৈরিবসিনি।

লুরিবদি চাওখৎলে, লাইরিক লাইশুগী মঙাল মপূং ফানা লৈনরে হায়না লৌনরবা মতমসিদসু হিংচা য়াইতম্বগী থবক অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। লৈবাক অমত্তদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা হাৎন-শুনবগী থৌদোকসিসু তমথীবশিংগী মরক্তা তমথীবা থৌওং অমনি। থাঙ্গৈশেংনা হায়রবদা মীওইবসে হিংচা-য়াইতম্বগী থাক্তা অসুম-অসুম কুমথরক্লেকো। মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু মচেৎ অমা ফাওবা পক্তবা মানবা থৌদোক ময়াম অমসু থোকখ্রে। মীসে মী ওইদ্রে, হিংচাবা ওল্লে। চঙ-চঙ লাউবা খুদম হায়ববু মমাঙ চহী মে ২৯দা মাঙখিবা নেভিবু হাৎখিবা মীহাৎতুনি। থা মাপন চূপ্না মণিপুর মীয়াম ইমা-ইমা লাউদুনা খাঙনরি। মসিমক্তদা লৈঙাক মকোকশিংনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরি। মণিপুর অসি মতৎ-মতৎ থদৎনবা লাল্লোং ওইরম্বসু য়াই।

অসুক য়াম্না লুরবা ফীভম অসি য়ৌরক্লবসিদা চগোম-চগোম লৈবা মতম নৎত্রে। ঐখোয় চেকশিনসি, অমত্তা ওইনা পূনশিল্লসি। সোসল মীদিয়াদা অকামপেৎ থাংলগা পঙলাউ লাউনবসে অচুম্বা লাল্লোং ওইরোই। লাউনীংবা-ঙাঙনীংবা মখোয় অদুম ঙাঙজসনু, মখদাং চোক্লগা তোকচখিনি। ঐখোয়না কূপ্না মনুং হঞ্জিন্না নৈনগদবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী রোল করিনো হায়বসিনি। মতম অমদা বৃটিশ লৈঙাক্না ইন্দিয়াদা শান্নখিবা লীলাদো কাউরোইসি। ইন্দিয়া মচা মশেল পঙহাত্তা হাৎনহল্লগা শিবা য়াবা শিনরবা, মাঙ তাক্লবা মতুংদা করি ওইখি। নীংখা তম্বা পীরে লাউথোকপদা ইন্দিয়াবু মচেৎ তানা শেৎ লাউনা খায়দোকখিবদো। ইন্দিয়া-পাকিস্থান অনী থোক্না খায়দোক্লে হায়না খংলাউ লাউথোরকখিবদু। মদুমক ইমা লৈবাক মণিপুরদসু থোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মতৎ-মতৎ থদৎলে হায়না খংপ্রেক খংহল্লকপা য়াই। নোকমি-নোকমি অসুম য়েংলম্লগা ইমা মণিপুরসে মতৎ-মতৎ থদৎখ্রদি ঐখোয় ফ্রুঙ-ফ্রুঙ চোঙদুনা খাঙগনি। ●

# লাইনীংনা মরায় চায়থরকপা মতম

**- নবকুমার ওইনা -**

লাই খঙদবনা লাই নীংবা হায়বসি ৱাথোক শাগৎপনি। নীংনরিবা লাই ময়ামসি অসিমনা হেন্না ফৈ হায়না খন্দোকপা ঙম্বা কনা লৈবগে? লাইনীংশিংদু খঙদনা অমনা ফৈ/ফত্তে কমদৌনা খঙগনি। অনৌবা লাইনীং অমনা লাইনীংশিং পুন্নবা হোৎনৈ, লাইনীং অমনা লাইনীং অমা হন্থনা খন্নবসু য়াওনরি। লৈখিদ্রবা লাইশিংদুনা হায়রম্বা নত্তে, ঙসিতা তুং ইল্লিবশিংনা ঙাঙনজবনি। মাগী-মাগী কান্নবা খরা লৌনবা মাল্লক্লি। লাইনীং হোংবা হায়বসি অঙকপা অমনি।

মাগী-মাগী ফূরুপ চাউথোক্লবা হোৎনরম্বগী লাল্লোং অমা ওইনা লাই শেমগৎনরকপদগী হৌনা অচুম-অরান লেপ্পা ঙম্বা ওইনা লৌনরকখি। ঙসিনা তাইবঙপান অসি শেন্বীরম্বনি হায়বসু য়াওনরক্লি। পূম্নমক মীওইবা হায়বা শা মখল অমগী ৱাখল্লোনগী ৱারী ওইরিবগী মরম অমা চাউনা ওইরিবসি মীখক্তগীনি, শা-ঙা অতৈনা য়াওবা থবক নত্তে। লাই অমগী লমচৎ অদুদি খঙবা, ইশাদদি য়াওদবা হায়বসি লাই নীংবা কৌবা য়ারোই। লাই অমনা লাইথুং পক্লবশিংবু লায়েংবা য়াওরম্মী, মী অমনা মী অমদা তিনশিৎ-মায়শিৎনবা তারবদি লাই অদুগী ওন্ন-তৈনবনি হায়গনি, লাই খঙবা ওইররোই।

শাগৎপা লোইহৌদবা খুন্নাইশিংদা ইতৎতত্তনা থোকপা নাকলদগী য়ৈশিল্লকপা শাফুশিংগী মরক্তা লাইনীং হোংবা অসিসু অচৌবা চৈথেং অমনি। মীওইবা খুন্নাইগী খল্লগা লাইনীং শন্দোকপনি হায়বসু লৈরি। ফূরুপকী ৱাখল্লোন শন্দোকপগী লাই শীজিন্নবসু লৈরে। লাইনীংশিংগী মরক্তা চায়নবগী ৱাথোকসু হেনগৎলক্লি। লাইনীংগী লাইরিকশিং মৈ থানবসু য়াওরক্লে। মসি পূম্নমক মীওইবা খুন্নাইগী ৱাখল খন্থনবগী থাক-থাক অদু উৎনরকপনি হায়না লৌবা য়াই। য়েৎনবা, খৎনবা, চায়নবা অদুদি লায়বু লায়রি, লুরিবদি ৱাখল খন্থনবগী থাক ৱাংখৎনরকপদুনি। ইনশিনবদা পংচৎ চৎপা ওইরবদি অপঙ ওইনা অদুম উনখিগনি খল্লি।

চাইনাগী মফম খরদা লাই নীংবগী থবক লৈত্রবা য়াওরবনি। লাইনীংগী য়াম্না লাংবসি মালেম অসিগী তঙ্খায় অমা ফাবা নৎত্রে। লমদম অসিদা পুল্লাং লাংলিবগী মরম লৈগনি। পঙঙাং ঙাঙনবনা হেক্তা ফরগনি হায়বা লৈতে। লোগী মথক্তা কনাসু লৈতে হায়বগুম লাইনীংগী মথক্তসু কনা'মা লৈবা য়াদে। লোগীদি লৈঙাক্না চৈরাক পীবা ঙম্মী, লাইনীংগী মথক্তা লোনা লাকশিনবা ঙল্লগদ্রা হায়বা হংবা য়ারিবনি। লাইনীংবু লোনা নৈনবা য়াব্রা। লৈঙাক্কী থবক্তা লাইগী থৌরম য়াওনরিবসি চুল্লব্রা হংবা য়াগনি। লাইনীং হায়বসি লাইগী নত্তবদা ফেসনগীরা হায়বা চিংনবা পোক্লকই। লাই নীংনরিবশিংগী লমজেল নৎত্রগা হিদান্নবা মানবা অমা য়াওরক্লি, লাইনা তৌবা নত্তে। মীওইবা মরক্তা লাইখায় তাদবা অমা য়াওবগী শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। হুইনা শা তানবদা থৌবদি ফৈ, মীওইবগী শাজত্তা অদুমক য়াওশিল্লক্লবদি লাইনীংগা মরী লৈনগদৌবা মাল্লক্তে। লাই নীংবশিংগী মরক্তা ঙাওবা য়াওরকপা য়াদে হায়বসু লৈবা নত্তে। লাইগী মরমদা য়েৎনগনু হায়নবা অমা লৈ, মদুমক্তি মীওইবগী অশোনবা উৎপনি। মদুমক মীওইবনা ঙমদবা থবক অমা ওইনা থম্বা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইদা হামুক তৈশিনবনি হায়গনি। ৱাথোক লৈবদি মহৌশানা মী খুদিংগী ৱাখল লৌশিং মান্নহনবা ঙমদবগীনি। অদুম য়েৎনবা লৈবা য়াই। মদুগীদমক্তনি লাইফম লিংনদুনা লাইনীং তম্ফম থম্নরম্মীবনি। তল্লসু হেক্তা হৈরগনি হায়বদি লৈবা নত্তে, মীওইবদি শোয়গল্লি হায়বসু লৈরি। তোৎশিন্নবা মী মরক্তা লাইনীং তোৎশিন্নবগী ৱাথোক লৈবা মশানা তাবনি। য়ানশিল্লকপা ঈ অমা নৎত্রগা অমনা লমদমসিগী লৈহৌমীশিংগী লাইনীং-নাৎ খঙলবনি হায়বসু লুগদৌরিবনি। য়েৎশিল্লকপদুদি লায়বু লায়রিবনি, অওক-অপা শাবা হায়বা অমসু লৈরিবনি। কোয়চৎ চৎপা ফূরুপশিংদা য়াওগনবা শাজৎ অমসু ওইরিবনি। লাইনীং অমা হিংহন্নবা হোৎনবদা অকিবা লৈরোইদৌবনি হায়বসি লাইনীং অমনসু-অমনসু শীজিন্নবা য়াবা কাঙলোন্নি। মীগী শুমাং মাঙ্গোলদা লাংশিনবা হায়বসি লান তাশিনবনি হায়গনি। লাইনীংনা লান শৌগৎপসু লৈ, ঙমদবা য়াদে খনবসু য়াওরি। লাইনীং অমদা চুম্বদু লাইনীং অমনদি য়াদবা অদুম য়াওনরি। হায়বদি লাইনীং অমনা মফম খুদিংমক্তা চুম্মী হায়বা য়ারক্তবা ওইগদৌরিবনি।

লাইনীং অমনা হায়রবদি পুমচুম চুল্লব্রা হায়বা ৱাহং লাক্লবনি। লাইনীং থাদোক্লবা য়াওরক্লে হায়বসি মীওইবগী থাক অমদা চংশিল্লকপনি হায়রিবনি। মসিমক হান্নগী লাইনীংশিংগী মরায় চায়থরকপনি হায়না লৌগদৌব্রা নৎত্রগা অনৌবা লাইনীং অমা লাক্কদ্রা হায়বসিসু লাই নীংবনি হায়বশিংনা হায়রগা হেক্তা চুল্লগদৌবা লৈতে হায়গনি। মহৌশাদি মীওইবশিংগী ৱাখল লৌশিং অসি লাইনীংনা লমজিংলম্মী। ঙসিদি মদু ওইদ্রে সাইন্স অমসুং লাইনীং য়েৎনবগুম লৌনরে। লাইনীংনা সাইন্সতা পঙঙাংদা ঙাঙই, সাইন্সনদি করিসু হায়দে, তৌগদৌবদু অদুম তৌরি। স্কুল, কোলেজদা তম্বীরিবা লৌশিং লোয়নমক ইমুংদা চঙহনবা ঙম্নদ্রি। লৈশেমলোন্দা য়েৎনরি, মীহৌরোলদা ঙাওনরি। পূম্নমকসি লাইনা শেল্লম্বনি হায়বসি কনানা উহৌবনো হংলিবনি। নুমিৎ-থা লৈরম্বদগী ঐখোয় লৈরল্লিবনি হায়বসিদগী হেন্না চুম্বা লাইনীং অমা লৈবা হৌনদ্রে। নুমিৎ থাবু মী ওইনা লৌবসু লানগদৌরিবনি। নুমিৎ থাগা ইশাগা লৈনরিবা মরী থিদোকপগী লোইবা নাইবা নত্তে, মদুমক লাই ওইনা নৈনরম্বা অসিমক ঐখোয়গী চাউথোকচবা পোক্লরিবনি। মী ওইনা পোকপশিং লাইনি হায়দে। ঐখোয়গী লাইদি মী ওইনা পোক্তে হায়বসু য়াওরক্লবনি। অহৌবা অরোইবা অনীগী চৈরক্তা লাইনীং খরা মাঙজখিবদা ঐখোয়গী লাইনীংনা মাঙজবসু লৈতে, ৱাজবসু ফাওরুবা য়াদে হায়গনি।

মদু ঙম্নবা ইপা-ইপুবু লাইনি হায়না লৌরগা মৈহৌরোলদু নৈনফম, লোইনা উবা ঙমদবা মংদুনা লৈবনি হায়বগী উমং লাইফমদা ইপা ইপুগী খুদুং ইনবা ঙমজনবা লাই নীংনরকই। মদুমক ঙমজনবা হোৎনজবগী চাউথোকচবা পোক্লরিবনি। লানগীদমক লাই নীংবসু লৈরিবনিনা লাই নীংববু লানদৌনা লৌবদি চুমগদৌবা লৈতে হায়গনি। লাইনীংগী য়েৎনবসু লো কোর্টতা চৎনরক্লি। লাইনীং শোন্থরক্লি হায়গনি।

অঙাওবদি ডোক্তরদা নৎত্রগা জেলদা পুগদৌবনি। অঙাওবশিংগী লাইনীং লৈতে, ঙাওদ্রবসু লাই নীংবা তোক্লরক্লি। লাই নীংফমদু লাইশঙ ওইদবসু লৈ, লাইদা ঙাওবসু লৈরে। শেন্বীরকপা লাই হায়বা অমা লৈতে হায়বসি মীওই মিলিয়ন মরিদি শুরে হায়রবনি। লাইগী মরমদা চমম্নবসি লাল্লে হায়বা খঙনরবনি। লাই অমবু থাজদবগী ৱাফমসু নত্তে, মীওইবনা হান্না হায়রম্বা খুদিংমক চুমগনি হায়বা লৈতে হায়বসিসু লাইনীংগী মনুং চল্লিবনি। লাই নীংবা হায়বসি মীওইবগী ফূরুপ/কাঙলূপ শাগৎপগী অচুম্বা লম্বী ওইনা হৌরকখিবনিনা হৌজিক্তি অমত্তা ঙায়রবা মীওইবা খুন্নাইগী লম্বী থিবা তারক্লবনি। য়েৎনবা য়ানদবা লৈতবা খুন্নাই অমা শাগৎপা হায়বসি লাইনীং অমনি হায়রবনি। লাই মমিংগী থোইদোকপা চমম্নবা লৈনদ্রবনি। লাইগী মমিংদা খুদোংচাবা লৌরগা লাই লৈগনি হায়বা লৈত্রবনি। কাঙলূপ শাগৎপগী খুদোংচাবা লৌনদুনা লৈনরি। লাইগী লৈবাক অমা শাগৎলগা লাই লৈগনি খনবসু থেংমল্লবা ৱা ওইগদৌরিবনি। লাই থাজরগা লৈবাক চাওখৎকনি হায়বসু লৈতে, মী খরনা লৈবাক চেন্থবসু য়াই। হৈনবী খুদিং মীওইবা খুন্নাইগী নাৎ নত্তে, লাইনীং হায়বসি অপূনবা মীওইবা খুন্নাইগী নাৎ ওইবা য়ারোইদৌরি, মান্নদে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কুকিগী দিমান্দসি মীতৈদরা-লৈঙাক্তরা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপ অনীগী ওইবা ঈরাংদুদা মীচম কয়াগী পূন্সি লোমখিবতা নত্তনা মমা-মপা কায়নরবা মচা, অশোক অপন, শোয়নাইরবা কয়াগী তেংথাখোলনা ঙসি ফাওবা নিল্লি। ময়ূম মকৈ, লৌ ইঙ্খোল কয়া তাঙ্গোই ওনখিবদগী রিলিফ কেম্প কয়াদা চঙজফম লৌদুনা থা ৯ হেল্লক্লবা ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাক্না কুম্মৈ য়েংবগুম য়েংদুনা লৈরি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী প্রি-প্লান তৌদুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দগী ওন্ন-তৈনবদা অতম্নগা মীতৈ কাঙলূপ্তা তার্গেট তৌদুনা হেন্না হেন্না প্রোব্লেম থোকহল্লি। মখোয়গী দিমান্দসি মীতৈদরা নৎত্রগা লৈঙাক্তরা হায়বসি কাউবগুম তৌরে, হূই অঙাওবগা পাংখক ওইরে।

মণিপুর লৈঙাক হায়বসি কাঙলূপ কয়ানা পুল্লগা শেম্বা লৈঙাক্লি। মসিদা নাগা, মীতৈ, পাঙল, কুকিনচিংবা কাঙলূপ কয়াগী লুচিংবশিং য়াওরিবনি। চীফ মিনিষ্টর ফাওবা নাগা অমদি মীতৈ পাঙলনা মতম শাংনা ওইখ্রবনি। হৌজিক মীতৈ অমনা চীফ মিনিষ্টর ওই হায়দুনা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা হাৎপা হৌরক্লিবসি মথংগী সী এমনা নাগা নৎত্রগা অতোপ্পনা ওইরক্লবদি মদুদসু অতোপ্পা ফূরুপ্তুদা ওনশিনগদৌরিব্রা? কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী অঙম অথৌ লুচিংবশিং টেররিষ্টশিংনা য়াই থাখ্রবা অশিবগা পাঙ্খক ওইরবা অফ-ফত্ত/অচুম-অরান ফোঙদোকপা ঙমদ্রে।

হৌজিক্তি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী কা হেনবা থৌওংশিং হেন্না হেন্না ময়েক শেংলক্তুনা বর্ম্মাদগী লাকপা মপান লৈবাক্কী টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সতা বোম, নোংমৈ মরূ কয়ানা খূৎ থাদুনা লান্মী কয়া হাৎপা, অশোক-অপন নংহন্দুনা অকনবা লান তৌরক্লবা ফাওবা লৈঙাক্না য়েংদুনা লৈথোকপগী মতম নত্তে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না জে কেদা তৌবগুম নার্কো টেররিষ্টশিংগী মথক্তা অকনবা লান চত্থদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক থুগায়নবা শিল্লিবশিং মরূ ফংনা মূত্থৎকদবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মফম অসিদি পাকিষ্টানগা তাইনবা নত্তে হায়দুনা য়েংদুনা অমুকসু লৈগদৌরিবরা। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পুকচেল শেংদবা মতৌ অদুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা ইন্দিয়ন ফোর্সকী মরুম থুপ্তুনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপ্পা ঙল্লিবনি। মদু নৎলমদ্রবদি নহান্না থোকঅবা অমা তৌরল্লনি...।

হৌজিক্তি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা জে কেদা য়েংলিবা মীৎয়েং অদুমক য়েংদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা মপান লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা শেম্বা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং মূত্থৎতুনা মণিপুরদা হান্নগুম কাঙলূপ খুদিং নুংশি চান্ননা তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমা পুরক্লবা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বগী মতৌ ষ্টেট লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না অথুবদা হোৎনগদবনি। মদু নৎত্রিবমখৈ শান্তি লৈরোই।

অদোমগী - য়ূমখাইবম ইনাওচা লুৱাং,
টোপ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট

## অনীরকশুবা এসেমব্লি মৈ থারকপা ঙাইরিবরা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

থা ৯ হেল্লবা ফাওবা ঈরাং লোইশিনবা ঙমদবা হায়বসি লুচিংবা মতিক চাদ্রে হায়বসি মশানা তারবা ৱাফম্নি। মীশি-মীনা, মীকপ-মীরাওখোলতনা পূম্নিল নিল্লে। দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক মৈখু থোকপা থা ৯ হেল্লে, মীয়াম মীৎ পাংবা য়াদ্রে, পি তারে। মসিদবু করি থাজনীংঙাই লৈরিবগে। এদভাইজর কুলদিপ অমদি গভর্নরদা পীখিবা মেমোরেন্দম মশীং থিঙমদ্রে। মখোয় উনবগী করি কান্নরিবগে। শ্রী এন বিরেননা লাউরি লেম্না থারোই, খাঙবা য়াবা খাঙলে, চীফ মিনিষ্টর অমনা ফাওবা অদুক য়াম্না নুপা থোকপা ঙমদ্রবদি মীচম মীয়াম্না করি তৌ হায়বনো। কোকোমিনা মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিনবা লৈখ্রে, খোল্লাও কয়া লাউখ্রে। মসিদসু নত্তে, মায়োলনা লমশাং খোঙচৎ কয়া চৎখ্রে কান্নবদি উবা ফংদ্রি।

লুচিংবা অমনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রবদি অনীশুবা লুচিংবা অমা অমুক লৈত্রবরা লৈঙাকসিবু। মমাঙগী মতম অমদা চীংদা ঈরাং লৈবা মতমদা ওজা রিশাংনা লোইশিনবা ঙমদবা মতমদা দল্লিয়ু নিপামচানা য়াম্না লায়না ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগী পূন্সিদা অমুক হঞ্জিন্দুনা চীংগী মফম খুদিংমক নুংশি চান্ননা লৈবা ঙমহনখি।

মসি নৎত্রা এম এল এ অমগী মথৌ, লৈঙাক অমনা মাগী তৌফম থোকপা মথৌ মফম মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি লৈঙাক্তু লৈতবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ হায়বসি মীয়ামগী খোল্লাওনি।

মীচম অমা শিরগা হোস্পিটালদগী পোষ্ট মোর্টেম লোইদুনা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা ময়ূম তম্না লাকপা লম্বীদা মীয়ামগী মীকপ-মীরাওখোলসিবু উরগা-তারগা লৈঙাকসিনা পেনবীরিবরা? মীচম অমা শিরবা মতুংদা লুপা লাখ ১০গা লৈঙাক্কী থবক অমগা পীগনি লাউথোকপা অসিদি য়াম্না ফৈ। লান অমা তৌবা মতমদা শিগদবা মশীংসি অঙকপনি, মসি পূম্নমক ঙমগদৌরিবরা হায়বসিনি।

কুকিগী এম এল এ অমগা মীতৈগী এম এল এ মরিগা শক্তি চপ মান্নবরা হায়বসিসু মীয়াম্না হংনরি। মণিপুর পুলিসকী সি দি ও, আই আর বি, এম আর, ভি দি এফ পূম্নমক খূৎলায় পায়বশিং খোঙফম অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরবা কান্দা ইরমদম কনবা ঙমগনি অমদি নীংখা তম্বা পুরক্কনি হায়জনীংই। হৌজিক কনাগী য়াথং ঙাইবা তারিবগে। পুলিস ওফিসর শিবা য়াওরে, মীচম খাঙবা ঙমদ্রে, খূৎলায় লৈতবগী ৱানি, মীয়ামগী অৱাবা অরাম-খৌরাংবা কোকহনগনি হায়দনা এসেমব্লি কেম্পস মনুংদা শারগা খিল্লিবা মীতমদুগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না অহানবদা এসেমব্লি তুম্না মৈ থাদোকখি। নুমিৎতুদা লৈঙাক্তুগী মপূন্সি লোইখি। মসিনা পরা ওইরগা মতম লৈরিঙৈদা এম এল এ ৫০ অমদি উচি মখুলদা লোৎতুনা লৈরিবা এম পি অহুম পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদবা তারবদি ঙসি হয়েং করি থোক্লগবা খন্থবীয়ু চীফ মিনিষ্টর। মণিপুরগী মৈরা পায়বী ইমাশিংনা অশাওবগী পনখৈ লাল্লকপা নুমিৎতুদা কংলাদগী অসাম রাইফলস হোংখিবনি হায়বসি লৈঙাক অসিনা কাউদবা চুমগনি। মণিপুরগী লুরবা তানফম-চিরবা তাঞ্জাসিদা ইমাশিংনা চোঙথোকপীদুনা ইরমদম কনবীদুনা লাক্লি। মখা তানা মণিপুরগী ইমাশিং নত্তনা ইরমদম কনবীনবা কনা লৈরোই। মমাশিংগী অৱাবা মশক খঙদবা ইরমদম নুংশিবা শাবা মীয়ামগীনি হায়বদা শিবা কিবা লুচিংবদা অমুক হন্না লৈঙাক শিন্নরগুমসি।

**অদোমগী - ঙাঙোম বোই, লম্লাই।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩

১) **''ময়ি চৎলবা থৱায়''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
২) **''তীর্থ যাত্রিক**
**নীংশিংবগী ইরোন্নুংদগী খোংদোইরকপা''**
হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৩) **''য়েস সার! নো সার!''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?
৪) **''অতোপ্পা লোনগী ৱারীমচা''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা খোমজিল্লগা সম্পাদন তৌদুনা পুথোরকপগে?
৫) **''ফাইরেন থানা লাকপদা**
**অঙাওবা মালং ওইবা নঙবু**
**ইঙাও ঙাওনা খোঙদোইরক্লো**
**থম্মোয়গী থোঙ্গাল তম্না লাক্লো''**।
ঈশৈ মতেক অসি অইবা অমগী ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফৱা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।